# "26 January তাং কয়াদনো...?"

- এল ইবোমচা -

জন গন মন অধিনায়ক জয় হে ভারত-ভাগ্য-বিধাতা
পঞ্জাব সিন্ধু গুজরাট মরাথা দ্রাবিড়া উৎকল বঙ্গ
বিন্ধ্য হিমাচল যমুনা গঙ্গা উচছল-জলধি-তরঙ্গ
তব শুব নামে জাগে, তবশুব অশিষ মাগে,
গাহে তব জয়গথা।
জন গন-মঙ্গল-দায়ক জয় হে ভারত-ভাগ্য-বিধাতা
জয় হে, জয় হে, জহ হে, জয় জয় জয়, জয় হে।

ঙসি পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়াগী রিপব্লিক দে সিলেব্রেসনগী থৌরম অসিদা অহানবা মক্তদা মথক্কী ইন্দিয়ন নেসনল এন্থেম হায়বদি ভারত জাতিগী ঈশৈসি শক্লগা থৌরম অসি হৌদোক্কনি।

ইন্দিয়াগী রিপব্লিক দে সিলেব্রেসনগী থৌরম অসি চহী খুদিংগী জন্যুৱারী ২৬তা পাঙথোক্তুনা লাকই। থৌরম পাঙথোকপা নুমিৎ অসিবু 26 January হায়রগা মীয়াম্না থোইনা হেন্না খঙনৈ। অদুগা অমনা মণিপুরনা ভারত্তা তিল্লবা মতুংদগীদি মথক্কী ইন্দিয়ন নেসনল এন্থেম অসি শক্তুনা অসুম লাকখিবগী মহয়না কুমজা ১৯৬১/৬২ অসিৱাই মতমদদি মীরোন তাবা হৌরক্লবা অঙাংদগীনা অহল ওইরবা ফাওবগী মীওইশিংনা ঈশৈ অসি মচিন্দা চিনফা পুদবা য়াওদ্রে হায়বা য়ারে। হায়রিবা ঈশৈ অসি মতম অদুগী এল পি স্কুলদগীনা হায় স্কুল অমসুং কোলেজ থাক ফাওবগী মহৈরোয়শিংনা ক্লাস হৌদ্রিঙৈ মমাঙদা পেরেদ অমা ওইনা পাঙথোক্তুনা শক্নরক্লে। ঈশৈ অসিনা মাং থানা শক্লগা পেরেদ পাঙথোক্ত্রিবা মখৈ ক্লাস হৌনরমদে। মরম অসিনা মহৈরোয় খুদিংনা পেরেদ অসি য়াওবা নংনবা স্কুল কানরকই। মতম অসিৱাইদা মণিপুরদা লৈরিবা মহৈ তম্ফম খুদিংদা ওগষ্ট ১৫, জন্যুৱারী ২৬ অমসুং শর্ম্বতি পুজানচিংবগী থৌরমশিংসি য়াম্না চাউনা চাউনা পাঙথোক্লরম্মী। তৌবতদি চহী খুদিংগী জন্যুৱারী ২৬তা পাঙথোকপা রিপব্লিক দেগী থৌরমদদি মপূং ওইনা ইম্ফালদা পাঙথোক্তুনা লাকই। মরম অসিনা ইম্ফালগী অকোয়বদা লৈরিবা মহৈশঙ খুদিংগী মহৈরোয়শিংনা থৌরম অসিদা শরুক য়ানবা অমসুং য়েংহৌনবা মীয়াম হৌনদুনা চৎমিন্নে। অনকপা মফমদা লৈবা মীওইশিংনা মখোঙনা অমসুং সাইকলদা ওইনা চৎনৈ। অরাপ্পদা লৈবা মীওইশিংনা মতম অদুগী মণিপুর লৈঙাক্কী অঙাংবদা হঙ্গামপাল মচুনা লাংবা, মমাঙ অমসুং মনিং অনীমক্কী থোঙগী হুম্মাই পান্দবা এম এস টি থাবা বসতা ওইনা তোংদুনা চৎনৈ। নুমিৎ অসিগী ওইনদি মতম অদুগী মণিপুর লৈঙাক্লা বস সর্ভিস হৌবগী মতমসু খরা ঙনখৎনা হৌহল্লি। মসিনা মরম ওইরগা অদুক য়াম্না চাউ শাংখ্রবা বস অদু মতমদুগী নিংথম থাগী খারবা উলেন লাক্তুনা মীনা কৃক-কৃক ইন্নবমখৈ ইম্ফাল য়ৌনবা তোংদুনা চৎনৈ। নুমিৎসিগী ওইনদি গাড়ীগী অতোংমলসু অপীবা খরনা পীজরবসু পীদবনা মশীং হেল্লি। ফ্রী সর্ভিস তৌবনি হায়বা য়াই। মতৌ অসুম্না মণিপুরগী মায়কৈ শিন থুংবদগী লন্নাইগী বস অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী এম এস টি বসশিংনা পুখৎলকপা মীয়াম্না ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মীনা চিক্লা-চাইনা ঙমদবমখৈ তিল্লি খোঙ থাফম লৈতে।

মতম অদুগী রিপব্লিক দেগী থৌরম পাঙথোকপদসু ঙসিগী অসিগুম্না অহানবা মণিপুর রাইফলগী গ্রাউন্দ অসিদগী হৌরগা গ্রাউন্দ অসিদা অমুক লমথুংফম ওইহল্লগা লোইশিল্লি। মতমদুদা অহানবা মণিপুর রাইফল গ্রাউন্দ তাবা লন্বী অসি হৌজিক হৌজিক এম দি য়ু হোল চংফম লন্বী অমসুং কৈশামথোং কবুই খুল চঙফম লন্বী অমদগী হেক্তা ইরায় লায়না চঙলকপা য়ারম্মী। মসিনা মরম ওইরগা ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেকসি রিপব্লিক দে সিলেব্রেসন য়েংবা লাক্লবা মীশিংনা কৃক-কৃক ইন্নে। হৌজিকপুদি হায়রিবা লন্বী অসি থিংজিনখিদুনা ফাওনখিদ্রে।

মতম অদুদা রিপব্লিক দে সিলেব্রেসনদা পেরেদ য়াওনবা লাকপা কন্টিঞ্জেন্টশিং ধোন, সাইদ দ্রম থিল্লদুনা অহানবা মণিপুর রাইফলগী অৱাং থংবদা লৈরিবা মতম অদুগী ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী লন্বী চঙফম ওইরম্বা সরক মচাদুদগী থোক্লক্লগা বি এস আর লন্বী তারক্লগা অৱাং মায়কৈদা টেলিফোন ওফিস, সেক্রেটেরিএট ওফিস, পোষ্ট ওফিস, নুপীলাল কমপ্লেক্স, টি জি স্কুল, নিত্যাইপাৎ চুথেক অমসুং গভর্ণর মমাঙ, মথং-মথং ফাওদুনা লাক্লগা হৌজিক হৌজিক কংলাগী নোংচুপ থংবদা মমাই মনিং ওন্দুনা লৈরিবা লোনশিনখ্রবা গেটসিগী মপা অসিমক্তদা সেল্যুটিং বেজ ওইরগা মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টরনা কন্টিঞ্জেন্টশিংনা পীবা গার্দ ওফ ওনরগী সেল্যুট ওক্লম্মী। কন্টিঞ্জেন্টশিংনা সেল্যুট পীনরবা মতুংদা গান্ধী মেমোরিএল হোল, অরিবা এসেমব্লি মমাঙ, এম এল এ ক্বার্টর, পি দব্লিয়ু দি ওফিস অমসুং এল আই সী ওফিস মমাঙগী লন্বীদা মথং মথং লাক্তুনা খুয়াথোং ত্রাফিক পোইন্টদা হেক থুংবগা মফম অসিদা কন্টিঞ্জেন্টশিংনা দিসপ্লে খরা উৎলি। মসিগী মতুংদা খা পাংনা থাঙ্গাল বজার রোদ পরিংদা অসুম লাকপদুনা বি টি রোদ ফাওরক্লগা পাওনা বজার রোদকী অৱাং ইথং থংবা মচিন মহাবির ফার্মাসি মপা ফাওদুনা লাক্লগা পাওনা রোদকী অরোইবা মচিন ওইরিবা কৈশাম্পাৎ পাৱর হাওসকী মমাঙদা অরোইবা ওইনা কন্টিঞ্জেন্টশিংনা দিসপ্লে উৎলি। মসিগী মতুংদা থৌবাল পার্কিংগী লন্বীদা মমাঙ পাংনা লাক্লগা নিত্যাইপাৎ চুথেক তারক্লবা মতুং মখা পাংনা টি জি অমসুং জি পি ৱিমেন্স কোলেজ চঙলকফম লন্বীদা তারক্লগা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী গ্রাউন্দদা অমুক হন্না হঞ্জিল্লক্লগা রিপব্লিক দেগী থৌরম অদু লোইশিল্লি।

মতম অদুদা থাঙ্গাল রোদ অমসুং পাওনা রোদ লন্বী পরিং অনী অসি নত্তনা ইম্ফালগী অকোয়বা লন্বীশিং খূৎ অনীনা কোনবদা থুংলোইদবা মনা পুংবা কৌবিলা পান্বীনা মরাং কাইনা ৱাংনা চাউনা হৌই। নিংথম থাগী অথাবা লৈচিলনা মরম ওইরগা নুমিৎ মশক উদবনা লন্বী সরকশিং নোং তাখিবা, হাংখিবগুম্না চোৎ চোৎ লাওদুনা লৈজরবসু থৌরম য়াওবা লাকপা অমসুং য়েংবা লাকপা মীপূম খুদিং ময়ূম ময়ূমদা হন্নদনা ইম্ফাল মনুংদা ফাইদুনা নুমিৎ চূপ্পা লৈথোক্লে। ইম্ফাল মনুংদা মশীং থিঙমদনা লৈরিবা ফোটো ষ্টুদিওশিং ফোটো কাপ্পনবা মীশিংনা ক্যু লেপ্তুনা ঙাইনৈ। হিন্দি ফিল্ম উৎপা সিনেমা হোলশিং সিনেমা য়েংনবা মীনা চিক্লা চাইনবা ঙমদখৈ ইন্নে, সিনেমা টিকেট ফংনদে। হিন্দি ফিল্ম য়েংবা ফংহৌদবশিং ইংলিস ফিল্ম উৎপা ইম্ফাল টোকিজ হোলদা ওইনা হুপচিন্নরক্তুনা মীগী ঈচাও থোকই। অদুবু অঙনবগী সিনেমা শো য়েংবা ফংহৌদ্রবসু অথেংবগী সিনেমা সো য়েংনবগীদমক ইম্ফালদা লৈবা হোটেলশিংদা চংদুনা অয়ূক্কী চাকলেন চাথোক্লগা ঙাইনৈ। খরা অমনা মপান কাংজৈবুং মনুংদা নুমিৎতুদা শান্নবা কুম্মৈ হরাও, মেলা অমসুং শান্ন-খোৎনবা য়েংখৈ য়েংলবা মতুংদা নুমিদাংৱাইরম ওইরক্লবদি অনকপদা লৈবা মীওইশিংনা মখোঙনা ওইনা অদুগা খরা অরাপ্পদা লৈবা মীওইশিংগীনা সাইকলদা নৎত্রগা লন্নাইগী বস অমসুং লৈঙাক্কী এম এস টি বস তোংলগা ময়ূম ময়ূমদা হন্নখি। বস ফংহৌদবা মীওইশিংদি মখোঙনা নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা লন্বী সরক্তা পরেং পরেং ৱারী শানদুনা চৎনৈ। হায়বদি মতম অদুদদি রিপব্লিক দে সিলেব্রেসন হায়বসি জাৎ-বিজাৎ খাইদবা লৈবাক পূম্নমক্কী ওইবা য়াম্না চাওবা কুম্মৈনি হায়না লৌনৈ। অদুবু য়াম্না নুংঙাইরিবদি, মতমদুগী অঙাং অয়াম্বনা থৌরম অসি পাঙথোক্কদবা ময়া নকশিল্লক্লবদি "26 January তাং কয়াদনো?" হায়না মথক থোংবশিংদা তত্তনা হংই। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## য়াইনা য়াইনা অসুম তৌনরকপসিদা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মতম অমদদি বম্পর হাওসি হায়বা গেমসি অথিংবা লৈদুনা কা হেন্না শান্নবগী চাং হন্থবগুম তৌরম্বনি। ষ্টেটকী ওইবা লোটরি তৌরম্বসু উচিন নাচিন্না তোকখ্রে। করি করিগুম্বদা লূপ খরনা তৌবা নত্তনা পংতৌ তৌনদ্রবনি। কোভিদকী লাইচৎসিনা খরা ফরকপসিদা অঙকপা ফংনা প্রাইজদা নিংথিরবা হাওসি তৌখৎলকপা হেনগৎলক্লে। হাওসি হায়বা গেমসি টিকেট চাতরুক লৈবগী মনুংদা লোইনমক য়োনবা ঙম্বা হায়বসি কদাজিৎনি। অরেম্বা টিকেট খরদুনা শিন লাংলিবা ক্লব অদুগী মীওইশিংদা ককহন্নবনা অয়াম্বনি। করিগুম্বদা লাইবক লৈদুনা ফাওরগনা মখোয়গী... মসি চুমখ্রবা ৱাফমনি। কনা কনাগুম্বা মীওই খরদি মমিং লৈবা লূপকী মমিংদা হাওসি তৌবা পান্বদগী থৌবুরোইশিংগী মনাক চৎতুনা... মসিসু মথেল অমা ওইনা চৎনখৎলি। লুপা অসুক পীবা টিকেট অসুক য়োনবা... মসিগুম্বা ৱাফমসিসু ওইরিবনি। বম্পর হাওসিগী টিকেট অমদা লুপা লিশীং ২/৩ পীদুনা য়োনবদা মদুগী হাওসফুল মমল অতাঙবা ইঞ্জিন পানবা গাড়ী অমা, লাইন অমদা এক্টিভা অমমম, লোয়ননা ক্যুইক ফাইভ, ষ্টারগী ওইনা লুপা লিশীং ৮/৮ মসিসু লেপ্পা লৈতনা অদুমক তৌরিবনি। হৈথোই শিংথোইবদগী হৈবদগী টিকেট ৬০০ য়োল্লবা পূন্না লুপা কয়ানো। মসিগুম্বা শাথীরবা মশান্নসিবু মখা তানা অসুমক অকি অখং লৈতনা চথুহন্দুনা লৈহনবদা মতা অমা ওইনা ঐখোয়গী ইরমদম অফবা ওইরক্লবগী লন্বীদি থাজবা ৱাৎতুনা লৈদৌরি। হাওসিগী থৌওংসিমা কোরোনা লোইখিবদগীদি ফনা ফজনা শাফোংলকপগুম্বা অমা ওইরক্লবনি। নুমিদাংগী পুং ১২দগী পুং ১ তাদ্রিবা ফাওবা লোইদ্রবা হাওসি মসিবু ফাগনি হায়বদি থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগনি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবদা এদিক ওইরক্তুনা মীয়াম্না ফজনা হায়বীদবা, অতোপ অতোপ্পা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী পরমদা হৈনরবা মীওইবুনা খঙলবসু বদনাম পীদবা মসিসু অঙকপনি। থিংনা থিংনা অদুমক লৈরগদবা, শুকলৈ লৈতবদি য়াররোইদবনি। অথিংবা লৈনা লৈনা য়াম্না তাঙনা ফংলিবা পোৎলমশিংসিদি মমলদি ফনা নিংথিজনা হাইগৎলবনি।

অমরোমদা কোরোনাগী লাইচৎ ময়াই চাইথখিবদা থোইনা হেন্না হরাওই। মসিবু লৈরিঙৈদদি তৌগদবা থৌদোক অমা লৈরবসু মতম শাংনা লৌবদুমদি তৌখিদবনি। হাওসি তৌগনি হায়না তৌরগা য়েথোকপসিদি টিকেটতু য়াম্না শিৎতবদগী ওইরবনি। প্রাইজগী পোৎলম খুদিংদি কনাগুম্বা পৈশা পায়বা অমদগী লৌরগা নৎত্রগা অয়োনবা দুকান্দুদগী মপুদুগা ঙাঙনা শক্লরগা প্রাইজ খিনবা মসিসু অদুমক তৌরবনি। প্রাইজশিংদু উবদা মশা মশানা ফাওরদবনি খন্দুনা টিকেট ককপা লৈতবসু লৈননবা লুপা লিশীং অহুম মরি পুথোক্তুনা টিকেট লৈবা মসিসু ভাবকী মথেলদা কন্না চৎনখৎলক্লিবনি। থাজদুনা শোয়দনমক্কী ফাওরদবনি খনবা মহাক্তুনা ফাওদ্রগা ঙাওরি-ফৈরি টিকেট কক্লুবা মহাক্তুদা হাওসফুল ফাওবা মসিসু লাইবক্কী মশান্নদদি অঙকপনি। মন্ত্র জন্ত্র হৈরবা অখঙ অহৈ কনা অমত্তনা লোটরিনা নম্বর অদুদা ফাওগনি, হাওসিনা নম্বর অদুদা হাওসফুল ফাওগনি হায়বা মসিমা কনা অমত্তনা খঙলরোইদবনি। মসিগী মনুংসিদদি তুংগী পোরম খঙলবা লাই ইবুংঙো/ইবেন্মা ফাওবনা খঙগদবা মান্দ্রবনি। মসিগী ৱাফমসিদা অদুনি অদানি হায়রুবা য়াবা নত্তে। মপান্দগী লাকপা মীওইশিংনা ঐখোয়গী ইরমদম লমদমসিদা করিগুম্বদা মরাইবক ফদুনা লৈনবগী খুদোংচাবা ফংলবা মাগী পোক্লফম মরমদমগীদি ঐখোয়গী ইরমদমসিনা হেল্লি হায়বসিমা মচিননা থোক্ত্রবসু মশাগী ৱাখলদদি অহেনবা নুংঙাইবা হায়দুমা ওইরবনি। লৈবু লৈরবা চৎনীংদবগী ৱাখল অসিমা অদুমক ওইরবনি। ঐখোয়গী চৎনরিবা তৌনরিবা মওংসিদা ঐখোয়গী মীওই খুদিংমক লায়রবা কনানো, ইনাক কৈরাক খুনবা কনানো হায়বা ঙমদবদা ওইরবনি। ফৌদম শেল লৌশিল্লগা পৈশা থাবা ঙম্বা ঐখোয়গী শিংলি নাওরিদা য়াওখ্রবা মসিবু হেক লৈরিবা মখৈ মমাঙদা কাখৎকদবদা মনিং হন্দুনা অসুম অসুম লৈহৌদুনা মমৈদদি হঙ্গাম মরূ ঙাক্তা ওইরকপা থাজবা অদুমক লৈরক্কদৌরিবনি। মমৈদদি ঐখোয় মশেল পুনশিনগদ্রা থাজরম্বা অদুসু মচোই মচোই তানবগী মহুত্তা নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপগুম্বা অমা ওইরক্লি। মাংলমচৎতা অথৌবা অথৌবী লৈরম্বদুসু ঙসি ফাওবা নীংশিংদুনা লৈনরিবা মখা তানা লৈখিদৌরি। হৌজিক্কী মীরোলনসিদগীদি য়াওরক্কনি হায়বসিমা থাজবা ৱাৎলগদবা ওইদৌরি। কনা কনাগীদমক থম্মোয় শেংনা নুংশিনা তেংবাঙবীবা মশীংবু কয়া য়াম্না লৈরমখিগদগে? মাগী মাগী খনবা ফাওবা ইশং শংনদ্রবা হৌজিক্কী মীরোলসিদা থাজবা হায়বদুমদি থাজদনা লৈরগদবনি। মসি অরানবদি ওইররোইদবনি। ফত্তবগী চাংসিনা লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপা মরম্না ঐখোয় মশেলদা ফাওবা থাজবা লৈনরক্ত্রবনি।

মতম অমদা গঞ্জা থাবদা মরী লৈনবা মীওইনা য়ান্থৎতুনা মাঙহল্লম্বা অদুসু হৌজিক্তি চেক মুক লাউদনা উতিংবগুম লৈরবনি। হৌজিক্তা ফোং ফোং শাবা অমা হায়বা তারগদি পোপি পান্বী থারম্বা য়ান্থৎপা অসিনা ওইরবনি। য়াদে হায়বা অদুতা তৌবীদ্রগা লোইরবা অসিদা ফাওবা অনম কন্দুনা থবক ওইনা চথুরকপা অৱাবা অমদি মায়োক্লদনীংঙাই লৈরোই। মখোয়গী মথক্তা আইনগী ওইবা এক্সন লৌখৎলগনি হায়খিবা লৈখ্রবনি। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইনা মাঙহল্লগা তুং কোইনা চৎনদবসিদি মসিদা থৌওইদবা অমা অদুমক ওইরক্লবনি। য়াদেকো হায়বসিমা হোংদোকউবা তৌদনা মখা অদুম চথুদুনা লৈহনবগী থৌওংসিদা খ্বাইদগী অফবা হায়বদু ওইদনীংঙাই লৈরোই। কুফেৎ কাফেৎ তন্দনগী মওংদৌনা তৌবা মসিমা...। কোভিদকী মনুংদা তৌগদবা থবক থৌরম ফাওবা শমজিন্দুনা মনা মনিল নাইদনা পাঙথোক্লখিবা মতা অমা ওইনা অফবনি হায়বদা কনানসু করিসু হায়রক্লরোইদবনি। অফবদা হেনগৎপা অফবা ওইরক্লবগী লন্বীনি। ফত্তবদা হেনগৎপা ফত্তনবগী অচৌবা লন্বী ময়াইদুমা ওইদৌরিবনি। নহনফমদা হল্লো, নতেফমদা তেরো হায়বা অমাইবা অমাইবীনা ইতৎ তত্তনা শিজিন্নরিবা ৱাহৈ মন্ত্র অসিমক লাক্লবনি। তৌরুরিবা থবক অদুগীদমক অফা অপূন তৌবদা ফংগদৌরিবা দন্দি অদুবু অকিবা লৈবসি ইয়াও য়াওনদবগুম্বা অমা লৈনবগুম তৌরবনি। ফংগদৌরিবা দন্দিদুনা শাথীবা ওইরবা হেনগৎলক্কদবগী মহুত্তা শোয়দনা তাথরক্কদৌরিবনি। নোং তারগা লৈশৌবুঙদা চেংগুম শৌরকপগুম ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ওইবা পোৎলম কয়া অমা লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপা, থিংনা থিংনা ফাখিগদ্রা খল্লম্বা পূম্নমক উত্তা ঘী হৈবগুম্না থোক্লদৌব্রা হায়বগী চিংনবা ফাওরক্লবনি। অথিংবা লৈবা খুদিংমকসিদা লেংদনা অদুমক...। মৈবু কনা অমত্তনা উনদৌনা ঈংই হায়রক্লরোই। উননা উননি মৈনা মৈনি। অসুম তৌনা হেনগৎলকপদা করি তৌবা তাবগে হায়বদুমা অহকপা চৈরাক অমগা লোয়ননা হোৎনহৌদ্রবা য়াইনা য়াইনা চুহি চাবা খুদুং ইল্লি হায়বা তাদৌবা মাল্লক্লবনি। মতমসিগী হায়না তানবা য়াদ্রবা মীওইশিংসিদি মানা মানা তৌরিবা থবক্তুগী ফলদু ময়েক শেংনা পীরগতা মতুং মনাও তৌগনি থাজবা ৱাৎলবনি।

**অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা**
খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল

# ষ্টেটকী পাউ

## লাইসেন্স নোংমৈ পায়বশিং রিভিয়ু তৌরগনি ...

*লামায় ১গী মখা...* লৈকৎ তম্বগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা হায়, মমাঙথক্তা লৈরম্বা লৈঙাকশিংগী মতমদা লাইসেন্স নোংমৈশিং কা হেন্না পীরল্লিবা অসি মতৌ করম্ননো হায়বা খঙদে অদুবু বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকপদগীদি তঙাইফদনা লাইসেন্স নোংমৈ পায়বগী মথৌ তাবা অমসুং মরম চাবা মীওই খরা নত্তনা য়ারিবমখৈ নোংমৈ পায়বগী অয়াবা পীরক্ত্রি। লৈখিদ্রবা এল রামেশ্বরবু হাৎপদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎলবনিনা অথুবা মতমদা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথুদুনা মখোয়গী মথক্তা চার্জশীট ফ্রেম তৌনবা পুলিসকী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরি হায়খি।

ঙসি থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকখিবা লৈখিদ্রবগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরমদা বি জে পিগী রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা, য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর (এদ্যুকেসন অমসুং এক্সটর্নেল এফ্যেরস) ডা. আর কে রঞ্জন, মিনিষ্টরশিংদা ৱাই খেমচান্দ, এল সুসিন্দ্রো, গোবিন্দাস কোন্থৌজম, নেমচা কিপগেন, টি ঐচ বসন্তকুমার য়াওনা এম এল এশিং অমসুং পার্টিগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম অসি পাঙথোক্লবা মতুংদা লৈখিদ্রবগী হকচাং ইমুংগী মীওইশিংনা পুরক্তুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, সোসল এদ্যুকেসন এন্দ কলচরেল দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অমসুং ঙরাংগী থৌদোক অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বদা হান্না য়াম্না ঈংনা চিক্লা লৈজরম্বা লৈকায় অসিদা ঙরাং অয়ূক ময়ূম ময়াদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বগী থৌদোক অসিদগী অকি তুজুংবনা পীক থল্লে। ঙরাং ইমুং মনুং অমদি লৈকায়গী মীয়াম পূন্না ফম্মিন্নরবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা পনখিবা ৱারোলশিং থবক্তা ওন্থোকপীদুনা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবশিং কোক্লবা লৈঙাক্লা হোৎনবীয়ু হায়খি।

মীহাৎ অসিদা চেন্নবা মীওই খুদিংমক লোগী ওইবা মতিক চাবা চৈরাক পীদুনা লৈঙাক লৈরি হায়বা খঙহনবীয়ু অমসুং লৈখিদ্রবগী লোয়নবীদা চান্নবা থবক অমা অমসুং এক্স গ্রেসিয়া পীবিবগা লোয়ননা অসিগুম্বা থৌদোক অসি অমুক হন্না থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়দা থোকহনবীগনু হায়নসু মখা তারক্লি।

## রিপব্লিক দেগী য়াইফ পাউজেল...

*লামায় ১গী মখা...* লৈবাকশিংনসু ইকায়খুম্ন রক্লিবনি। নুমিৎ অসিদা ঐখোয়না লৈবাক অসিবু শেন্বীরম্বশিংদা তৌবীমল খঙবা উৎতুনা ইকায়খুম্ন গদবনি।

লৈবাক অসিগী য়াল্লবা মীয়ামগী মনুংদা লাইরিক ময়েক চৎতবা কয়া য়াওরবসু মায় পাক্লা মীখলশিং পাঙথোরকপনা ইলেক্টরশিংগী মপূং ফাবা উৎপগা লোয়ননা মখোয়গী অনীংবা অপাম্বশিং মীখলদা মমি তাদুনা লাক্লিবনি। মপূং ফাবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইরকপদগী ঐখোয় হৌজিক মপূং ফাবা লৈবাক অমা ওইবা ঙল্লবনি। লোয়ননা লৈবাক অসি ঙসিদি মালেমগী মাঙজিল থারিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরকপা ঙল্লে হায়রি।

লৈবাক অসিগী নহা ওইরিবা অমসুং দাইনামিক ওইবা মীওইশিংনা মতেং পাংলকপদগী সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিদা চাওখৎলক্লি। মরম অসিনা ঐখোয়গী নহারোলশিংগী মতিক ময়াইবু অচুম্বা মায়কৈদা পুরক্তুনা মখোয়বু ঐখোয়গী তুংগী মরু ওইবা লনশিং ওইহনগদবনি হায়রি। ঐখোয় পূম্নমক্না লৈবাক অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কলহন্নবা অমসুং ঈং-তপ্পা অমদি চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবা পূন্না থবক তৌমিন্নরসি হায়রি। নুমিৎ অসিগী মাঙওইননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, মিনিষ্টরশিংদা নেমচা কিপগেন, অৱাংবৌ ন্যুমাই, ডা. সাপম রঞ্জন, থৌনাওজম বসন্তকুমার অমসুং য়ুম্নাম খেমচান্দনসু মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

## বৃন্দাগী কেস কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*ওরিজিনেল স্যুইট নম্বর ৩৯ ওফ ২০২২গী মায়োক্তা ওরিজিনেল স্যুইট অসিগী দিফেন্দেন্ট ওইরিবী থৌনাওজম বৃন্দানা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা জুদিসল মিসেলিনস কেস নম্বর ২০৬ ওফ ২০২০ অদু কোর্ট অসিনা লৌখৎতুনা ৱায়েল চথুরবা মতুংদা রিজেক্ট তৌখ্রে।

জুদিসল মিসেলিনস কেস অসিগী ৱায়েল চথুরকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা এদভোকেট এল বিরজিৎনা লেপখি। অদুগা রেসপোন্দেন্টগী মায়কৈদনা এদভোকেট এম রারিনা লেপখি। সিভিল জজ সিনিয়র দিভিজন, ইম্ফাল ইষ্ট কে নিরোজিৎকী কোর্টনা মিসেলিনস কেস অসিগী অরোইবা হিয়ারিং ওক্টোবর ৪, ২০২২দা পাঙথোক্লবা মতুংদা রিজার্ভ তৌদুনা থল্লকখিবা ওর্দরনা নবেম্বর ১৯, ২০২২দা লাউথোক্তুনা টি ঐচ বৃন্দাগী মিসেলিনস কেস অসি রিজেক্ট তৌরে হায়খিবনি।

## পুলিস মেদলশিং পীরক্লে...

*লামায় ১গী মখা...* ষ্টেসনগী ইন্সপেক্টর কে বোবি, অহানবা এম আরগী সুবেদার (জে সী নম্বর ৪৮৬) এ কে ভোগেন্দ্রো, অহানবা আই আর বিগী সুবেদার (জে সী নম্বর ৫১৫) সনসম রাজু, এম পি টি সীগী জেমাদার (জে সী নম্বর ৮০৩) কোঙ্গেংবম প্রিয়োজিৎ, সী আই দি (এস বি) গী হেদ কন্সটেবল এম পারপা চোথে, ইম্ফাল ৱেষ্টকী এসিষ্টেন্ট সব ইন্সপেক্টর এস জয়চন্দ্র মীতৈ, ইম্ফাল ইষ্টকী ৱিমেন ইন্সপেক্টর গুরুময়ূম গিতাঞ্জল্লি, অহানবা এম আরগী হবিলদার (নম্বর ৯৩৬৪) সচিন রাই অমসুং হবিলদার (নম্বর ১৩২০০১২৬৯) খাংলানমৈ কামৈনি। অদুগা পুলিস মেদল ফোর গেলেন্টরি পীরক্লবশিংনা ইন্সপেক্টর গুনচন্দ্র চনম, সী দি ও/ইম্ফাল ৱেষ্টতা এটেচ তৌরিবা ৮শুবা আই আর বিগী হবিলদার হিজম ঈশ্বরচন্দ্রনি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরস মেদল ফোর এক্সিলেন্স ইন পুলিস ট্রেনিং পীরক্লবশিংনা এম পি টি সীগী সুবেদার (জে সী নম্বর ৪২২) মাইবম বাবু মৈতৈ, সুবেদার (জে সী নম্বর ৫১৪) পোৎশংবম রোবর্ট, জেমাদার (জে সী নম্বর ৯৮৬) লুক্রাম লেনিন মীতৈ অমসুং রাইফলমেন কোংব্রাইলাৎপম প্রেমসুন্দর (নম্বর ৪০৬৬৯২) নি হায়রি।

## রিপব্লিক দেগী থৌরম বোইকোট...

*লামায় ১গী মখা...* খঙহনবীয়ু হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা কে সী পিগী পোলিটব্যুরো ষ্টেন্দিং কম্মিটিনা লৈবাক অসিগী রিপব্লিক দেগী মখল অমত্তগী থৌরম পাঙথোকপদা মপূং ফানা অথিংবা থম্নবগী ৱারেপ লৌরে হায়রি। নুমিৎ অসিমক্লা কুমজা ১৯৪৯দা ইশানা ইশাবু ইরোমদোম লেপচনবগী হক অদু মুনবীখ্রবনি হায়রি। অসিগুম্বা লৈবাক অসিগী থৌরম অসি কংলৈপাক্তা পাঙথোকপনা কংলৈপাকপু লৈবাক অসিনা খুদুম চনশিনবদা হেন্না মপাঙ্গল ওইহনগনি হায়রি। থৌওং অসিমক্তি মতম কুইনগী মমাঙদগী নেসনল আইদেন্টিটি অমসুং তোপ তোপ্পা নেসন অমা ওইনা লৈজরক্লিবা কংলৈপাক্কী ৱাহন্থোক লান্না উহন্নবা থৌরাংনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## কেশোরজিৎ ১সুং রিকি পোইন্টিং পুলিস...

*লামায় ১গী মখা...* পুলিস কষ্টদি লৌখ্রবা মীওইশিং অদুদি হাওবম মরক ইরোম লৈকায়দগী অয়েকপম কেশোরজিৎ (৪৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা এ কুঞ্জো অমসুং কৈনৌ থোংথক মনীং লৈকায়দগী হৌজিক্লা হাওবম মরক ইরোম লৈকায়দা লৈরবা নাওরেম রিকি পোইন্টিং (২৪) অপোকপা এন কেসোনি।

মখোয় অনীবু ঙসি কোর্টতা পুথোরকখিবা কেস অসিগী আই ওগী মায়কৈদগী কোর্টতা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরকখিবদা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা ঙরাংগী থৌদোক অসিগা মরী লৈননা লৌখৎপা কেস অসিগী অচুম্বশিং খঙদোক্লবা এগজামিনেসন চথুনবা অমসুং কেস অসিগা মরী লৈনবা মরু ওইবা ৱিটনেস খরগী এগজামিনেসন পাঙথোকপগা লোয়ননা অহেনবা ইভিদেন্সশিং খোমজিনবগা লোয়ননা থৌদোক অসিদা চেন্নবা অতোপ্পা মীওইশিং ফাগৎপা ঙম্নবগীদমক মখোয় অনীবু নুমিৎ ১৩নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীবিয়ু হায়জরকখি। ৱাফম অসিদা কোর্টনসু অয়াবা পীরদুনা মখোয় অনীবু মথং থাগী ৬ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি।

অমরোমদা, ঙরাংগী থৌদোক অসিগী মতাংদা এ কেশোরজিৎকী লোয়নবী অয়েকপম ওংবী লাইশ্রম নিংঙোল রোমিলানা ঙসি দি জি পিদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে। মহাক্কী চেরোল অদুনা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী হান্না পি এম কে এস ৱাইগী নোদল ওফিসর ওইরম্বা পেলেস কম্পাউন্দদগী এ কে বোজিৎকী মথক্তা ঙরাংগী থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ক্রিমিনেল কন্সপিরেসি, থ্রিটর্নিং অমসুং ঙরাংগী থৌদোক অদুমক থোকহন্নবগী এবেটমেন্ট তৌবগীদমক মহাক্কী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীয়ু হায়খি।

চেরোল অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা মপুরোইবা কেশোরজিৎ কোলেজ তল্লিঙৈদগী হৌনা সোসল ৱার্ক তৌরকখিবনি অমসুং হৌজিক্লা হ্যুমেন রাইট দিফেন্দর/হ্বিসল ব্লোৱর অমা ওইবগা লোয়ননা কুমজা ২০০৯দগী আর টি আই এক্ট শীজিন্নদুনা করপসন লৈহন্দনবা হোৎনরকপগা লোয়ননা অফবা লৈঙাক অমা ওইহন্নবা হোৎনরকখিবা মীওইনি হায়রি।

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মপুরোইবনা এগ্রিকলচর লোয়শঙনা পি এম কে এস ৱাইগী বেনিফিসরিগী লিষ্টকা লোয়নবা ইনফোর্মেসন খরা পীরকখি। লোয়শঙ অসিনা পীরকপা ইনফোর্মেসনদা পি এম কে এস ৱাইগী বেনিফিসরিশিং খন্নবগীদমক পব্লিক নোটিস থোকখিবগী ৱাফম পল্লকখিদে। মসিদগী মপুরোইবনা হৌখিবা নুমিৎ ২০নি রোমদগী হৌরদুনা স্কিম অসিগী বেনিফিসরি ওইনবগীদমক হোৎনখিবা মীওইশিং ভেরিফিকেসন তৌবগী থবক চথুরকখিবনি। অদুম ওইনমক এগ্রিকলচর লোয়শঙগী পি এম কে এস ৱাইগী নোদল ওফিসর ওইরম্বা এ কে বৌজিৎনা মহাক্কী মপুরোইবদা মোবাইল ফোনগী খূথাংদা কিহন খংহনবা চথুরকখিবগা লোয়ননা স্কিম অসিগী বেনিফিসরিশিং খোঙ্গুল লীবগী থবক লেপকদবনি নৎত্রগদি অফবা ওইরোই হায়না খঙহল্লকপা লৈখি হায়নসু ফোঙদোক্লি।

অদুগা ঙরাং অয়ূক মপুরোইবা কিশোরজিৎনা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়দা বেনিফিসরি অমা উন্নবা চৎলুবদা বৌজিৎ হায়রিবা মীওই অসিগসু মপুরোইবগা উন্নখিবগা লোয়ননা বেনিফিসরি অদুগী লোয়নবীগসু উন্নখি। মখোয়গী মরক্তা অকনবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নদুনা ৱারী শানখি। তাল্লক্তুনা মীওই অমনা মশাগী নোংমৈ উৎপগা লোয়ননা মপুরোইবনা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়জরবসু মহাকপু ফাজিন্দুনা থমখিবগা লোয়ননা মপুরোইবদা শেল দিমান্দ তৌবা লাকপনি হায়বগী চার্জ তৌরকপদগী মপুরোইবনা মশা ঙাকথোকচনবা নোংমৈনা কাপ্পদা মীওই অদুদা পানখিবনি, কোন্না মীওই অদু লাইশ্রম রামেশ্বরনি হায়বা খঙলকখিবনি হায়নসু ফোঙদোক্লি।

মরমশিং অসিনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী পি এম কে এস ৱাইগী নোদল ওফিসর ওইরম্বা এ কে বৌজিৎকী মথক্তা ইনক্বারি অমা চথবীয়ু অমসুং মহাকপু ফাবিয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।